"অঙাওবী নৎত্রগা অহল ওইদুনা শূবা নোম্বা ঙমদ্রবী নত্তনা মৈতৈ নুপীনা মচিঞ্জাক্কীদমক ভিক্ষা নিদে। কৈদৌঙৈদা নিরক্তবা ওইসনু।" - *সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ (মৈতৈ নুপী)*

# শৈরেং

## ইশাগী ইমি

**—এম নিলকুমারী**

ইথরমউ মথং-মথং
শৈরেং-ৱারেংগী
শক্তি কয়ানি খুনগৎলমউ।
মচিন থৌরবা কলমনা,
খূৎশা মঙাগা লোয়ননা
করিগী নিংহন্নগনি, সাহিত্যগী লৈকোলদা
তুং-মাং য়েংদুনা,
পোত্থাদুনা লৈথোক্লবদি
কনানো নহাকপু হংবীরক্কদবা।
চৎলু মফম খুদিং শিন থুংনা
মেনশিল্লমউ পুন্সি' অহাঙ' মতেক
মতেক মতেক্কা শমজিল্লমউ
মপূং ফাদ্রবা নহাক্কী পুন্সি লৈকোল।
লৈকোল অমত্তং শেল্লমউ।
চিথহল্লমগনু মান্নহল্লমউ
অচৌ-পিশক-পাকপা-চাউবা।
নহাক্কীদমক ইন্নরি নশাগী নমি নতুংদা
নশাগী ময়েক শেংফাত্রবা মমি
মমি অদুনি নহাক্কীদমক মপুনা পীবিবা।
অদুবু নোং-মংলবদি নমি ফাওবা
তুংইন্নরক্লরোই-কাউফদে।
নশাতগী য়াইফনবা খল্লিঙৈ
হে ইমা পোক্লফম
তুংদা করি ওইহৌগদৌরিবা!!
অথৌবশিংনা পামজরম্বা মঙলান্দো
ঐখোয়না অরেম্বদা তাহনখ্রদ্রা
খল্লসি মান্নবগী ৱাখল
পূনশিল্লসি অপূনবগী লংলানা!!

## মালেমগী অকোয়বগী নুমিৎ

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

নোংদোল কোইরেল কোর্বাক্তা
তগুপ তরং ঙাল্লিবা
থৱান্মীচাক ময়াম নখোয়না
ইঙাগী থানিল থাজগী
নাপ্পদা করি চিরোল্লিবা?
উপাল ৱাপাল খিবিকসু
মালং শাহুম তান্থাদা
হাইনা হুম্না জগোয় শাজরি
চিবোন চিবোন ঙাঙনরি
য়েংসি লাউনে মীওইবগী মতৌসে।
লোইদাম কুইনা তারুদ্রবা
চীংনুংগী তাম্নাগী খোঞ্জেলসু
তাবা ফংলক্লে ময়েক শেংনা
ফ্লেমিঙ্গো উচেক শঙ্গু শঙ্গুসু
পাইরক্লে চাক্তাবা পাৎয়া তময়াদা।
ঈংলবা মলয়া নুংশিৎকা ইরোইননা
চেন্থরক্লি লুরবা তুরেলগী লাইজনা
লোইবী চীংমায়সু হানৌনা শংলে
মহৌশা লাইরেম্বী ইমাসে
অনৌবা চরৈ ফিজোল থোল্লক্লে।
স্নান যাত্রানা চামথোক্লবা
অমকপা লৈত্রবা থাজগী শক্তমদো
তপ্না তপ্না মায়থোঙ লাংশিল্লকখি
য়েংনীংদ্রমাল্লে তাইবঙ মীশিংসে
নৎত্রগা কোরোনা কিজদুনা তৌরিব্রা!
নাউপুরিবী শামু লমশা ঐহাকপু
পোকখায় লাংদা থুহনবীদুনা
খাঙুথক্তা পুন্সি পিখম্নহনবদি
পাঙদবা নতৌদু উৎথোকপা নৎত্রা?
নশাগী ওইজবা খনবা হে মীওইবা।
খঙলল্লগনি হৌজিক্তি নখোয়সু
ঐনা তৌবনা ঐনা ফংজবা
চেঙ পুরগা চেঙ শিংবনি
ফৌ পুরগা ফৌ শিংবনি
খূবাক খূনমগী মালেমসিদা।

## নঙতনা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

তোঙান তোঙানবা
শক্লোন্দা লাকখিবনি
অদুবু মাগী মগুনদি
ওন্থোক্লা লৈখ্রে।
মনাক নক্লা চঙলুদ্রবদি
খক ঙল্লোই
মাবু খঙবা,
ঐদি ৱাখি
মাগী ৱাখলদা।
নীংথিরবা ফিজোল
মখল মথেলগী
মচু কয়ানা লৈতেংলদুনা
ঐবু কৌরে
মানা ঐবু,
মীৎকী পিরাংগা লোয়ননা
পীখি বীদায়।
ঙসিসু মীৎকী পিরাংশিংগা
লোয়ননা লেল্লি
নুংশিবা মাগী ৱাখলদা
অহিং নুংথিল অনীমক্তা।

## থেঙ্ক য়ু কোরোনা

**—রাজেন্দ্র শারুংবা**

কোরোনা নঙসে মীপূম খুদিংনা কিনৈ
অদুবু ঐদি কিবিদে নঙসে
য়েংবদদি ফত্তবা মাল্লি
মরমদি নঙসে নশক থী
অদুবু লোয়নবা হৈবা মীদদি
করিসু তৌদে তানবা য়াই হায়নৈ
নঙসে ৱারক কনবী উশিত্তবদি য়াদবিনি
মদো ঐসু খঙই অদুনা চেকশিন্না চৎলে ঐ
নঙ কিবদগী য়ুসু থকত্রে, স্বারসু শান্নদ্রে
গঞ্জা, চুরুট, খৈনি, ক্বা জরদা
অমত্তা থকত্রে, চাদ্রে
ফোর ফোরাং শীজিন্নদ্রে
নঙনা মীরক্তা তিনগনু, মপান থোক্কনু
চারমদাইদা খূৎ-শা নিংথিনা হাম্মু
চৎথোকপদা মাস্ক উপ্পু, লাপ্পা লৈনৌ
হোয় নঙনা হায়রিবা খুদিংমক লোইনা ইল্লে
হৌজিক্তি ঐ অফবা মরম মোকপা মী ওইরেদো
মসে নঙবু কিনা চৎচবগী
নঙনা ৱারকপীবগী মহয়নি
অদুনা নঙবু হন্না হন্না থাগৎচরি
অমরোমদা য়ু আর ভেরি গুদ
থেঙ্ক য়ু কোরোনা, বাই বাই কোরোনা।

## লাইনিংথৌ কোরোনা

**—অঙোম ইবোমচা**

লাৎনরি, শোন্নরি, লাইমিং কয়া-কয়া
শোন্নরি মগুনতবু লাইশিংগী
মীওই ফুরুপ কয়া-কয়ানা
মাগী-মাগী থাজবদা
লাৎনরি, শেন্নরি লাইমিং কয়া-কয়া।
নিক্লরি থক-থক থৱায়
কদাইদনো করিনো
ওইগদবা খঙদবা
ঙসিনা করি, হয়েংগীনা করি
লাৎনরি, শোন্নরি লাইমিং কয়া-কয়া।
মশীং থিঙমদ্রবা লাইনি
ফুরুপ-কাঙলূপ কয়ানা লাৎলিবা
মাগী-মাগী অপাম্বা থাজবদা
হায়ঙমদে লাইমিংশিং অদু য়ামনখিবনা
লাৎনরি, শোন্নরি লাইমিং কয়া-কয়া।
ওইররে ঙসিদি লাইশিংগী লাই
অকনবা, অথৌবা, তৌঙম্বা
মালেম পূম্বা নিক্লবা
তাইবঙ পূম্বনা খুরুমজবা
ঙাকপীয়ু চানবীয়ু হায়জবা
লাইনিংথৌ 'কোরোনা'।

## ঈ দান তৌসি

**—থোকচোম রবিচন্দ্র**

অরং-অরাক্কী সংসারসিদা
নুংঙাইনা পুন্সিনা লেল্লবসু
পুন্সি মাগী নুংঙাইবা, মতোল লোম্বা নৎত্রি
ৱাখলগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্বা
পূক্লিংগী অশোনবা তেকখৎহনবা
থম্মোয়গী নুংঙাইবা পীবা ঙম্বা মহাক্তনা
পুন্সি মাগী নুংঙাইবা মফংলমগনি।
মহাক অদু অতোপ্পা কনানি হায়না খনবগে?
নহাকসু কনাগুম্বা অমগীদি মহাকনি
নহাকসু অথোইবা ওইবা ঙম্মী
খ্বাইদগী নুংঙাইরবা মীকুপ অমা ফংবা ঙমনি।
পিকখ্রবা থম্মোয় অমা পান্দুনা
চাউরবা ফুরা দলালদা লৈবদি
ঈশিং কংশিল্লক্লবা ঈপাক্তা
হিংলিবা লেমলৈ ঙাগুম্বনি।
চাউখ্রবা থম্মোয় অমা য়োক্তুনা
পিল্লবা খাংপোক্তা লৈবনা
নুংঙাইবগী ঈপাক্তি মহা সাগরনি
পুন্সিবু পুন্সিনা পূনশিনবা পাম্মী।
পুন্সিনা পুন্সিবু পূনশিনগে হায়রবদি
ঈগী দান তৌরম্মু
নঙগী থৱায়বুসু পূনশিনবীরক্কনি
পুন্সি কয়া অমনা।
ওইগনি মীওইবা লক্তা অথোইবা
ফংগনি অমুক্তা ফংখিদ্রিবা
পুন্সিগী নুংঙাইবা মীকুপ অমা
য়াওরিবনি নহাক্কী ঈদা মীনুংশিগী ঈচেল অমসু
চেলহল্লু মহাক্কী হকচাংদসু
য়েল্লম্মু নুংশিবা নহাক্কী ঈনা
ঙসি মালেমগী ঈ দান তৌবগী নুমিৎ অসিদা।

## তেংথা শৈরোল

**—এন বীমোলা লৈমা**

ৱারেদকো ইমা মণিপুর
ইমাদি চয়াম পোকপীনি।
নচা ময়ামগী তেংথাখোলনা
অৱাবা চৈথেংবু খাঙলিবী।
কুমগী নোংদি লাক্লেদো
অদুবু তেংথাখোলদি মুৎঙমদরে।
করম্বা নোংলৈনবু হুল্লকপনো
তমথীরবা কোভিদ-১৯ নহাকপু।
চৎখ্রোগবা, হনখ্রোগবা
পুবিখ্রো হুমদুনা মালংবনা।
চৎপীখ্রো ইরমদম মণিপুরদগী
নচা ময়ামগী তেংথাখোল তাবদা।
অৱাবা কোকথোং কোক্লবা
ৱারল্লগনি ইমাসু।

## পূনশিল্লসি অপূনবগী লংলানা

**—গ্যানন্দ নাওরেম**

মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা
থেংলবা অহিং অসিদা
নোঙ্গাখ্রবা অথৌবশিংগী থৱায়না
খোঞ্জেল থোক্লা তেংথারক্লে!!
কাঙলূপ কাঙলূপ শেম্নখ্রে,
অমনা অমবু থাজনদ্রে
মসিরা ঐগী পোক্লফম
মসিরা নহাক্কী নরমদম!!
নখোয়দি তারিরোই খঙলিরোই

## লুম্ফু

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

লান্মীনি ঐখোয় লান্থেংনরিবা
অহুমশুবা মালেমগী লাঞ্জাও
খূৎলায় য়াওদনা লান।
কোরোনাভাইরসকা মালেম পূম্বগা।
ঙাকথোক ঙাকথোক্না
হেঞ্জিল্লকই মানা সুম।
কোরোনা, অঙকপনি মাগী শক্তি
লুম্ফুনি, নারোন্দা লান হৌবনি
নত্তে মায়োক্লবা লানফম।

# ৱারীদুবু লোইদ্রিব্রা

**(পুন্সিসে ইশাগী অনীংবা, অপাম্বনা খুদিংমক হিংবা ওইরমদ্রে হায়রিবা অইবী অমা)**

নাইজেরিয়াগী অইবা Chimamanda Ngozi Adichie হায়বদুনা ফজখ্রবা ৱাফম অমা হায়রি, ৱারী অমনা মী অমবু শোকহনবা, মিংচৎ থীহনবদি য়াই, অদুবু ৱারী অমনা অপাবশিংবু পাঙ্গল হাপ্পা, মীওইবা ওইহনবদদি মতেং ওইরি। মাগী ৱাহৈদা - "Stories have been used to dispossess and to malign but stories can also be used to empower and to humanise." মানা সিমসু হায়রি, "Stories can break the dignity of a people but stories can also repair that broken dignity." চুমখ্রবা ৱানি হায়নিংঙি। মুন্না খল্লগা হায়রকপা ৱানিনা হেক্তা তানিংঙি। মদুমক থোক্লরে, ঙসি পায়খৎলুরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসি পারুবদা। ওন্থোক্লা চেকশিন্না অইবী অমনা ৱারীমচা ১৪ খক শেল্লগা পুথোক্লকপা অসিদি পারুবদা থমোয়দা দং দং পানবা ঙাক্তা ওইনা থোকখ্রে। লৈখা তারবা, মীনা থওইবিদ্রবা, পন্থুং য়ৌদ্রবা ঈচেল, ঙাওনা ফৈবা চৎলবা মীওই কয়াগী ৱারীবু লাচন্দুনা শেল্লকপা লাইরিকনি। ফেক্টকা ফিক্সনগা তোৎশিল্লগা শেল্লকপা ৱারীমচা ওইরবসু মহাও ফজনা পীবা ঙম্মী, ৱাহৈ-ৱাতা পকচৈ, ৱারী লীবা হৈবা হায়বদুমক থোকই। অইবী অসিবু ঐখোয়না শকখঙদনা ঙসি ফাওবা লৈরিবা অসিমদি চুম্মরোই হায়নীংই। মাগী 'কিন্থরক্লবা শম্বল' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ফোঙখ্রবা অইবীনি।

মহাক কনাসু নত্তে, মোইরাংথেম সত্যবতিনি। বরাক তম্পাক্কী অইবীনি, কবিনি, ৱারীমচা ইবীনি। অনীমক মায় পাক্লবীনি। সত্যবতিগী শৈরেং লাইরিক 'বরাক তম্পাক্কী মরাইবক' কৌবদু ২০১৬তা পুথোক্লকপদগী মাবু কবি ওইনা শকখঙখ্রবনি। মরমদম, মাগী লোন, নাৎ ওন্থোক্লা লুনা তৌজনীংবী অইবী অমা ওইনা শাফোঙলকখি। মাগী 'ঈগী কুম্মৈ' কৌবা শৈরেংদুদা মানা ইরি, "পূংলোন তান্থা কায়রক্কনু/ঈ শাগৎনবা থবক তৌরক্কনু/ঈতগী খোংলম চাম্মনা/অশিবা হকচাংতনা পল ওই/ঙাক্লক্কনি নীংতম্বা ঙমখৈ/মৈতৈ লৈবাক কন্নবা।" থমোয়দগী থোক্লকপা খোঞ্জেলনি, ঙাক্তা ঙাক্তৌ মানবা। অইবী অসিগী ৱারীমচাগী নাকলদি অসুক কুইবসি তাদুনা লৈরি কনানসু শীংথাবিদনা। পারুরগদি খক তোক্লিংদ্রে, লোইদ্রিফাওবা। সেট্টিং, প্লোট, দিক্সন, নেরেসন ওন্থোক্লা মচু তারমখ্রে হায়নিংঙি। ৱারী মচা ইগদবী নুপী অমা থোক্লক্লে হায়নীংই।

হেন্না ফজরিবনা লাইরিক মমিং পুরিবা ৱারীমচা অসিদি কনাগুম্বী অমগীদমক কনাগুম্বী অমনা থৱায়না পোন্থা ওইদুনা ইবীবা মওংনি। অশিবগা লান থেংনরিবী কনাগুম্বী অমগী থমোয় কায়রবা থৌদোক্কী ৱারীনি কনাগুম্বীদুনা ইবিরিবা লাইরিক ওইহৌনবা। ইবদু অমুক্তং উজনিংবা থৱায়দুনা লোইদ্রিবরা তোয়না হংজা হংজনা উদনা শিখ্রবী অমগী মৈচাক য়াওবা ৱারীনি। থৱায়গী খোঙজেলগা কলমগী খোঙজেলগা হিদান্নখিবা মওং অপাবা খুদিং মিহুল চোংদনিংঙাই লৈরোই হায়নীংই। অদুবু অইবীনা চাক্লা লোইশিল্লি, শকউদবা মানা থৱায়গী মপুনি, কলমনা মায়থীবা তাবনি।

অদুক্কী মতিক রিএলিটি নক্লিখৈ, অদুক্কী মতিক নুংতিগী ঙাঙনরিবা ৱাহৈদা ৱারী লীবা ঙল্লিখৈ, ৱারীমচাদু মায় পাক্লবনি হায়বদুমক সত্যবতিগী খূৎশেমদা উরি। মাগী অহানবা ৱারীমচা 'অসিবু কৌব্রা নুংশিবা?'' হায়বা অসিমদি তশেংনা ফজখ্রে, সস্পেন্স য়াম্না লৈহল্লি, পাবদা চোকথহন্দে, সর্প্রাইজ এন্দিং ফজনা পীরি। অশেংবা নুংশিববু ঈরাৎচবী অইবীনি হায়বদুমক তানবা ইরিবা খূৎইনি। নুংশিবদা অহল-নহা, জাৎ-কুচু খায়দে হায়বা অদুমক উৎলিবনি। থিমদি তরাইথোক ওইরগা ৱারীমচা অসিদা শীজিন্নরিবা দিক্সন অসিনি পারুবদা ঙাওরিবা। চহী খরা খেন্নবা অনীগী নুংশি লীলানি। পিক্লিবী ক্লাস সিক্স তম্লিবী ছাত্রি অমবু কলেজ কারবা অমনা পামজরুবা, নুংশিরুবা মওংনি। অমনা অমবু লুনা লৌনৈ। অদুবু খুন্নাইগী চৎনবীনা মরিং মরাং ওইগদবা মওংনিনা অইবীনা কলম মচিন থৈখি। নুপীমচাদুগী মমানা থেংনবা থৌদোক অমদা থীনা চৈবীখিবদগী নুপা অদু কত্থেকপদা তাখি মাগী নুংশিবা। নুপীমচা অদুনসু ফনা কাউবা ঙমজদ্রবসু পল খক নমখায়রুদে, মহৈ ফজনা তম্নবা কন্না হোৎনখি। মমা মপানদি থুনা লুহোংথোকখিবনা ফরনি খন্না মতিক চাবা মীওই থিদুনা নুমিৎ লেপ্পখি। অদুবু অরোইবা অমুক্তং উনবা মতমদা থৱায় অনীমক অমত্তা ওইখিবদৌবা মাল্লুবদু অইবীগী হৈ-শিংবা অঙকপা পোলোই অমা তাল্লকখি। উৎপা য়াদবা পোৎপু অপাবশিংগী মাঙদা শংশং উহনবা ঙমখি। অদুগা লোইশিনখি মখাদি অপাবশিংদা শিন্নরল্লগা। খূৎই ফজৈ, ফ্লাস বেক টেক্লিক শীজিন্নবা মওং তারি।

অনীশুবা ৱারীমচা 'বিদায়' হায়বা অসিমসু ওন্থোক্লা হৈনা ইখ্রে অইবীনা। কৈসু লৈতবা ৱারীবু হেক্তা মথ্বায় পালহলখ্রে। মসিনি ৱারীমচাগী ফজবা হায়বদু। মসিদসু ফ্লাস বেক টেক্লিক অদুম শীজিন্নরি। হিংমিন্নবা, লৈমিন্নবা, লৈকায় ওইবগী ফজনবা ফজনা উৎলিবা, তমজনিংঙাই ওইরবা য়ূম্বাল-কৈবালগী থিমদা ইবনি। বামোন ইমুং অমগা মৈতৈ ইমুং অমগা হেক তাইননা লৈবদা মাগী মাগী ঈজৎ মচেৎ অমা মাঙনদনা হিংমিন্নবগী মওংনি। লায়রবী থৌরানী অমগী ফজবা লমচৎ, ফজবা লোনচৎ, ফজবা মতৌ অদু মৈতৈ য়ূম্থুরেলবী অদুগী ফজবা ৱাঙাঙ শাঙাঙ, ফজবা পুকচেল, ফজবা থমোয়না লোকখিবগী ৱারীনি। অনীমক ফিদম ওইখি। নুংঙাইহৌদ্রিবনা লায়রবী থৌরানী অদুনা মরাইথুংনা মচা অনী লংথোক্লল্লগা শিখিবা অদুনি। থোক্ত থোক্লমদৌবা মানবা ৱারীমচানি। অইবীনা হৈনা শিংনা শেল্লকপনি।

অহুমশুবা ৱারীমচা, "ইমৌসু ইচানি" হায়বা অসিসু পাবা য়াই। অনৌবা থিম অমা শেমদুনা য়েংবনি। ঙসিগী ফোঙ ফোঙ শারিবা থিম অমনি। মচানুপা ফত্তবা পোক্লবগী মৈচাক খাঙলিবা মপা অমনা হোৎনবিনবা লৈতবনা মমৌ নুপীগী মৈনীং কুপ্লিঙৈগী চাক থোংদুনা পীজনবা হোৎনবা ওন্থোক্লা মওং তাখ্রে। নুপীদগী তাদনা চেকশিন্না হোৎনৈ। মসিসু য়াইনা হায়বদু অইবীনা উৎনবা হোৎনবনি। অদুবু মচাদুনা মওত্তুবদা পান্থে লৈখিদে। নুপী অতোনবী অমগা মফম খঙদনা মাঙখি। মমৌ অদুসু খাঙবা য়াবা খাঙদুনা ঙাইখি, মপুরোইবদু হল্লকপা। অদুবু হল্লক্লে, চহী ৩গী মতুংদা অদুগা অমুক ওৎলরে, ওৎপদা নত্তনা তান্থোকপীখ্রে। মচা পিক্লিবী অমা পুরগা চৎখ্রে। অদুগা পুংকক চাউরবী অমনা মপুগী থৌগলগীদমক থনল্লে। করি ওইবা হৌনৈ। ৱারীমচাগী তাফম থোকপা ফল অদুম তারকপা তাবনি। অদুবু অইবীনা হৈনা শেমদুনা হিদেন অমদা অপাবশিংবু পুদুনা চৎলি। থমোয় কায়রবা মকূনা মমৌগী অৱাবদু য়েংবা ঙমখিদে। মমৌনি খল্লক্তে, মচা নিংঙোলনি খন্না অউনপোৎ লোন্না লাঙখি। মমৌবু নোংমা কৌরগা অতোপ্পা মানা ফৈ খঙজবা মতূ মচা লৈত্রবা নুপা অমদা থাজখি। খজিক্তং ফোর্সদ লেন্দিং ওইনা থোক্লবসু ফত্তনবা শীনবা নৎতবনিনা অনৌবা থিম ওইনা থোকই। শেম্বা থোক্তুবা য়ুদা থক্লবা, অতোনবীগী শরৈদা লূপখ্রবা মচানুপাদুদগী ধর্ম কায়দবী, অখাঙ কনবী মমৌ নুপীনা হেন্না লূম্মী হায়বদু উৎপনি। পাব য়াই হায়নীংই।

ৱারীমচা অমসু য়াওরি। মসিদি স্বাই লাউই পাবদা। অইবী মশামকসু ঙকচৈ অদুনা মমিং থোল্লি, "হৌনশারা মসিবু" হায়না। কৈসু লৈবা থিম নত্তে, থবক্কী ক্বার্টর লৈতবনা ভরাগী থংনবা কাদা লৈবা ইমুং অনীগী মরীদা শেমগৎলকপা ৱারীনি। হান্না লৈরম্বী নুপী অদুনা নৌনা লাকপী নুপী অমবু মনাওমক্লি খন্না লুনা তৌরুবনি। থংননা লৈরবনিনা। অদুবু লুনা তৌবদা শোক্কদবা মতাংসু লৈ হায়বদু অইবীনা উৎনবা হোৎনবনি। কোন্না লাকপা, নৌনা য়ূম্বাল্লকপী নুপীদু মাগী নুপাগা খৎনবা মতাং লাক্লে। হান্না লৈরম্বী নুপীদুনা মতৈ-মনাওদু থেমজিন্দুনা ইমুং কায়দনবা হোৎনজৈ। অহানবা পোকপা অঙাংদুগী মথী-ময়ুং ফাওবা চান্বীদনা কন্না হোৎনজৈ। অদুবু খৎনরিবা অদুগী মরমদি অঙাংদুগীনি। অঙাংদু মাগী মচা নত্তে হায়না নুপীদুগী নুপাদুনা শাউরি। মানা চিংনবা য়াবা মরম লৈরম্বা য়াই। অদুবু নুপীদুনদি অরানবা চৎচদে হায়বগী ৱা ফোঙদোকচরি। অদুবু লুরিবদি হান্না লৈরম্বী নুপীদুনা নুংশিবা হেনমন্দুনা অনীদু কায়নদনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরুই। নুপাদুগী মমান্নবা অমদা কাঙথোক্লুই মতেং পাংনবা। মদুনা হূ ওনখিদুনা নুপী অনীদু শাউনখি। ইমুংগী অরোনববু মীঙোন্দা লীথোকই হায়দুনা। অদুবু কাইনথংদা কোন্না লাকপী নুপীদুনা মচে শকপীদুদা লাল্লে হায়জগে খন্না থোঙ থীল্লে। মদুদা থোঙ হাংলকখিদ্রে। হান্না লৈরম্বী, পুকচেল ফজবী নুপীদুনা মতোমতা শোনখিবা ৱাহৈ ফজখ্রে - "ঐগী য়ূমগী থোঙ ইবেমচাগীদমক্তি মতম চূপ্পগী ওইনা লোনশিনখ্রগে খনখ্রে।" মসিনা তাক্লি থাজবনা মাঙখ্রবদি অমুক হল্লকপা ৱাই হায়বদু।

ৱারীমচা অমসু য়াওরি, সিনেমা নম্বা য়াবা ৱারীনি। শকলোৎপা চিঠি অমনা পুমঙাও ঙাওহনবা ৱারীনি। হেক উরুবদা পামজরুবা নুপা পাখঙ অমনা লৈশাবী মচাসিদা মমিং থাদনা চিঠি থাজিল্লকপনি। শকলোৎলিবা পাখঙ অদুগী ৱাখলদা ঙাওখিবনা মপান্দা লাইরিক তম্লুরবী নুপী মচাসি লাইরিক তম্বদু খোয়জংদবা মতাং লাকখি। অদুবু অইবীনা মঙলানগা তাইবঙগা শেবাৎনবনি হায়বদু উৎনবা লাক্লরি। অপাবশিংসু মথুম মরাঙ হৌগনি। শাবী শানৌ অনীদুগী লীলাদা। অদুবু কাইনথংদা থেংনখ্রে, উনখ্রে, নুংশিবনা পৎ তৎখৈ মরী লৈনবদগী লুহোংবীখ্রে। অদুগী মতুংদি য়েংহৈদ্রে। মতুম তাবা পোৎ অমা চিথেক নাইবা মখুলদা হাপচিনবগা মান্নখ্রে। নুপাদুগী ৱাখল্লোনগা নুপীদুগী থমোয়গা য়েমৌনরল্লে। কাইনথংদা কায়নবা ওল্লে। অদুবু অনীমক মৈচাক পুনরে। নুংশি মৈখাক লৈহৌবনা নুপাসু ঙাওচৎনরে, নুপীসু তূমদ্রে। পিরাংনা মোল্লাং চোৎলে। করি অমুক হায়নি, লংদাই ওইরিবী মনে লৈশাবী শরি অদুফাও মখোয়নীগীদমক মিৎলু ঈরা চেল্লি। থাবল ফরবা অহিংদা খোঙউপ মখোল তারে। নুপাদুগী শোয়দনা ওইনি খন্দুনা থোঙ হাংদুনা য়েংলুবদা শম্বল লান্না নুপাদু মানবা অমা থোকখিবা উরি। অঙকপা সিচুএসন অমদা থৱায় অনীদু লেল্লি। মমৌ নুপীদুগী খনবদা মনেদুনা হায়রিবা ৱাহৈনি - "পুন্সিসে, ইশাগী অনীংবা, অপাম্বনা খুদিংমক হিংবা ওইরমদ্রে" হায়রিবা পাউরৌসি। ফজৈ হায়নীংই।

মথক্তা পনখ্রিবা থিম ময়াম অসিদগী তোপ্পা তাবা, হেক অশেংবা থোকখিবা মালহনবা ঙম্বা ৱারীমচা অমসু য়াওরি - "পল অমসুং ঈচেল" কৌবা। মসিমদি অইবীগী ক্রাফ্টমেনশিপ ফজ দে হায়বা ঙল্লোই। ৱারী খূৎলি, শীজিন্নরিবা ৱাহৈ লোইনা হেক ফজৈ। অপাবশিংবু কোয়পু পুদুনা চৎলি, করি থোক্লগবা খলহল্লি। অদুবু মিহুল চোংই, ৱারীমচাগী হৌনবী ওন্ন-তৈনবা ফল অমদা লোইশিল্লমগনি খনবদা। অদুমক থোকই। পিক্লিঙৈদগী শান্নমিন্নরকপী, তুরেলদা ঈরোইমিন্নরকপী, ঈরাক্লমিন্নরুরবী, শক-চু চঙখোনবী নুপী অমনা মীৱা-মীশা মায়োক য়ারকপা ওন্থোক্লা পকচৈ। নুপা ওইবদুনসু তাদে নুপী অদুনসু হেন্দে। চীংলোন ৱাংমগী, কাছাড় লমদমগী ফজবা চৎনবী উৎপা, কাং শান্নবা, চা বাগান কোয়বা চৎপা, লৈশা-পাখঙ পোৎ চামিন্ননবা ইতোপ তোপ্পা মহাও অমা পীবা ঙম্বা ৱারীমচানি। অদুবু অদুক নুংশিননা হৌমিন্নরকপা থৱায় অনীদু, অমনা কপ্পদা অমনা কপ্তুনা লৈবাক পূংজাউ থিল্লবদু থুংনখিদে। নুপানসু কত্থোকখি, নুপীনসু কত্থোকখি। অদুবু অমুক নকশিন্নরকপসু য়ারি হায়বগী তাঙ্কক্তা লোইশিনখি। নুপীদুনা চৈরাওবগী ফি তম্বা লাকখি ফোংনা নুপাদুগীদমক মবুং অমগুম খন্দুনা। নুপাদুনসু মচলগুম খল কোনখৎপীখি মীয়াম মাঙদা। নহালমখৈ অউবা খুদিংনা লক্লরম্বদু মখোয় অনীনা অরানবা তাহনখি। ফজবা পোলোই অমদা থনমখি অইবীনা। ওন্থোক্লা রিএলিটি তাখ্রে হায়নীংই।

লাইরিক মমিং পুরিবা "ৱারীদুবু লোইদ্রিব্রা" হায়বা অসিদি মথক্তসু পঞ্জখ্রে। নুপা ওইবশিংনা নুপী ওইবীগী অচেঙবা ঙাইরগা খুদোংচাবা লৌখ্রগা মাঙহল্লম্বা উৎপনি। মসিদা অইবীনা নুপী ওইবীনা তুমিন্না লৈশিনবগী মহুত্তা মখোয়গী ৱারীদু লীথোক্তুনা মহাক অমা মাঙখ্রবসু নিংঙোল লিশীং লিশীংগী পুন্সি কলহন্নিংবা উৎলি। মদুমক থোকখি। লিনা কৌবী লৈশাবীনা মাগী থৱায়দগী হেন্না লুনা খঞ্জবা তোমাল কৌবা অমদা মাগী লৈজবা পূম্বা কত্থোক্লুরগা লৌশিনবীদনা তোমাল মাঙখিবগী ৱারীনি। লিনানা ঙাইবা য়াবা মতম কয়া ঙাইরবসু আশা উরক্ত্রবদা মাগী ৱারীদু লৈকায়গী মনাও থোকপী অমদা ইহনবনি। মানা পাজনিংখি, মাগীদমক ইরিবা ৱারীদু। অদুবু পাবা নংদনা শিখি। মানা কয়ারক হংজরম্মী - "ৱারীদুবু লোইদ্রিব্রা?" থম্মোয় কায়বা পোলোইনি। ফজবা খূৎশেমগী ৱারীনি।

য়ামখ্রে, সত্যবতিগী পাউদম্লিংবা। ৱারীমচা ওইফাত্তবা ফেক্ট ওইবা, মশাগী থৌদোক মানবা খরসু য়াওরি। মানা তুরা, মেঘালয়দা লৈরিঙৈ, কোহিমাদা লৈরিঙৈ ইবা মানবা পুন্সিগী থৌদোক খরসু ৱারীমচাশিংগী মরকসিদা য়াওরি। অদুসু অদুম পাউদম ফজহল্লি। পূন্নমক অসি য়েংলুরগা সত্যবতিবু মশক লেপ্পা তারবদি ৱারীমচা ইবদা পকচরে হায়নিংঙি। ঐখোয়গী লোনগী ৱারীমচা ইবী অমা মমীং হেনগৎলে হায়নীংই। মাবু তরাম্না ওকফম থোকই। মখাসু তাহন্নিংলি।■

*- সলাম তোম্বা*




| | | |
|---|---|---|
| লাইরিক | : | ৱারীদুবু লোইদ্রিব্রা |
| মখল | : | ৱারীমচা |
| অইবী | : | মোইরাংথেম সত্যবতি |
| ফোঙবা | : | ২০১২ |
| অফোঙবা | : | টিকেন্দ্র মোইরাংথেম, তুরা মেঘালয় |
| মমল | : | ১৫০/- |



# রাগ দরবারী-৫০

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

অপীকপা-অচৌবা হামেং মরী-মঙা অকায়বা ফক্লাং অমদা কাখৎতুনা পিপলগী পাম্বি অমদা কানবা হোৎনরম্মি। লোয়ননা উ অদুদা কারদুনা অতোপ্পা পাম্বি অমদা চোংলিবা মনাশিং চানবা হোৎনরম্মি। হামেংশিংনা তৌরিবা মওংদু রঙ্গনাথনা য়েংদুনা লৈরম্মি, মদুদা মহাক্লা 'হাও-হাও'গী হৌরকফম খোঞ্জেল অদু থিনবা হোৎনরম্মি। মফম অদুদা 'হাও-হাও' লৈরমদে। মীৎয়েংফম হোংদোরকপগা লোয়ননা মহাক্লা নুপী অদুগী মাইথোংসু য়েংথোকখ্রে। নুপীশিংগী ৱারী পল্লকপদা খুবাক খুদুনা অমসুং লৈমায়দা চোংবা মীওইশিংসু লৈতবা নত্তে, নুপী অমা হেক্তা ওইবা য়াই, নুপী অদুসু অদুমক মশক ফজরম্মি। অদুবু অচুম্বা ৱাফমদি নুপী অদুদগী হামেংশিং অদুনা ফজবা হেল্লম্মি।

'হাও-হাও'গী হৌরকফম খঙবা ঙমখিদ্রে, অদুবু খোঞ্জেল অদু নাকোংদা নিন্দুনা লৈরম্মী। রঙ্গনাথনা পরসি ব্রাওন, কনিংঘমনচিংববু য়ুমথক্তা অদুমক তাহন্দুনা থম্মি। মহাক মখাদা কুমথরক্তুনা থোং ময়াদা লাক্লে। মতম অদুদা ৱেদ্যজি হীদাক য়োনফম অদুদা থবক তৌদুনা লৈরম্মি। অনাবা মীওই মরী-মঙা অমসুং সনিচর নত্তনা মফম অদুদা কনা অমত্তা লৈরমদে। 'হাও-হাও'গী খোঞ্জেল হৌজিক মনাক নক্লা তারকই।

রঙ্গনাথনা সনিচরদা হংলকই, "মখোল অসি তাবরা?"

সনিচর মাঙ্গোলদা ফল্লদুনা শিংজং শেমদুনা লৈরম্মী। মহাক্লা ফল্লিবা মফম অদুদগী কোয়না য়েংদুনা নুংশিৎ শিৎলিবা মায়কৈরোমদা নাকোং থাঙ্গৎলদুনা ঙাইহাক 'হাও-হাও'গী খোঞ্জেল তাদুনা লৈরম্মী। ইখঙ খঙহৌদনা মাগী লাইবক্তা মথা শাবগী শুক্তোক্লম্বা অদু ফত্থ্রে। মহাক্লা ইংনা হায়রকই, "হোয়নে, 'হাও-হাও' হায়বগী খোঞ্জেল অমদি তাবগুম তৌই। পিক্তু শাফবগা কুসহরগা খৎনবা মাল্লি।"

মহাক্কী খুহায় অদু মফম অমদা ইরোইগী মচিনা ফক্লাংদা থিঞ্জিন্দুনা হোগায়বগী মওংদা হায়বা মাল্লি। মহাক অমুক লৈথোক্লদুনা হান্না ফল্লম্বা মওংদা ফমখ্রে অমসুং মখা তানা শিংজং শেমখ্রে।

ইখঙ খঙহৌদনা 'হাও-হাও' মাংদা থোক্লকই। মহাক চাওরাক্লা চহী ৬০মুক শুরবা হনুরবা মীওই অমনি। মশাদি ফরি। মশাদা ফি মপুং ফানা থোংদে। শাফবা অমগুম খুউ ফাওবা চিংখৎলদুনা খুদৈ শেৎলি। মীওই অদুগী মকোক্তা মফম অহুম থোক্লা শোক্লিবা অদুদগী ঈ চাইথোক্লা থোক্লকই। মীওই অমদগী থোক্লকপা ঈ ওইরবসু ঈ অদু ফাওবা পূন্না থোকমিন্নরকপা পামদবা মাল্লি। মহাক্লা 'হাও-হাও'গী খোঞ্জেল হৌনা লাউরগা মখুৎ থাঙ্গৎলদুনা মতেং পাংনবা হায়জরম্মি।

রঙ্গনাথ নুপা অদুদগী থোক্লক্লিবা ঈ উবদা পাখৎলম্মি। সনিচরনা মঙোন্দা হংই, "মা? মাসে কনানো?"

"মাবু কনানা ফুরিবা জাৎনো?"

সনিচরনা শিংজং অদু মখাদা তপ্না থমখি। শোক্লবা অহল অদুবু মখুৎ পায়রদুনা পুশিনবিরক্তুনা মাঙ্গোলদা ফমহল্লি। অহল অদুনা কনা অমত্তনা মতেং পাংবিরক্তবা অদুগী ৱাখল্লোলদা সনিচরগী মখুৎ কন্থোরকই। অদুবু মহাক ফমদি ফমখ্রে। সনিচরনা মমিৎ শুক্তোক্লদুনা অহল অদুগী অশোকপা মফমশিং অদুদা য়েংলম্মি। ঙাইহাক য়েংলবা মতুং ৱেদ্যজি রোমদা য়েংলক্তুনা অহল অসি কা হেন্না শোকপদি নত্তে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরকই। অমরোমদা অহল অদুনা 'হাও-হাও'গী খোঞ্জেল তপথরকই অমসুং মতেক-মতেক ওইনা তৎল-তৎলদুনা তাল অমগী তান্থাগুম লেপ্তুক-লেপ্তুক তৌরকই। অদুগুম্বা ৱাফম অদু ঈশৈগী লম্দা য়েংলুরগদি ওন্ন-তৈনরে। অদুবু মতৌ অদুনা তশেংনা খঙবা ঙল্লে মদুদি মহাক খজিক পোৎথাবা ফংলে অমদি নুংঙাইনা ফম্বা ঙল্লে হায়বা। সনিচর নুংঙাইবগী নুংশা শ্বর হোলদুনা খল্লি মদুদি অসিগুম্বা থৌদোক অসি পাক থোকপা তাদ্রগসু ইমিৎ মক্লা উবা ফংলে।

রঙ্গনাথ ইপা পাখৎনা লেপ্পলম্মি। সনিচরনা উপু অমদগী লশিং লৌথোক্লদুনা হায়, "নংনা হংখিবা নৎত্রা, মহাক অসিবু কনানা ফুবনো? মদু হংবগী করি অর্থবু লৈরিবগে?"

কোন অমদা ঈশিং অমসুং লশিং খরা পুরক্তুনা অহল অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লি অদুগা হায়, "মাবু কনানা ফুনি হায়বগে? অহল অসে পিক্তু শাফবগী মপানি। মা নত্তনা অহল অসি ফুবদি লায়রদনা খূৎনা শোকপা ফাওবা কনাগী মতিকনো?"

পিক্তু শাফবাবু থাগৎপগী ৱাফম তারবদা কুসহর - মহাক্কী অশাংবা মমিং কুসহরপ্রসাদ কৌই- অদু খজিক থাম্মোয়দা অইংবা অমা ফাওবা মাল্লি। মফম অদুদগী ৱেদ্যজিদা হায়রকই, "মহারাজ, হ‍ দক মানা শাথিনা লাক্লখ্রে। ঐ হৌজিক খাঙবা ঙল্লরোই। ঐখোয় তোঙান-তোঙান খাইদোকপীরো, নত্রবদি তুংদা ঐগী খূৎতা নোংমা মা শোয়দনা শিবা য়াই।"

ৱেদ্যজিনা মানা ফল্লম্বা ফমফম অদুদগী কুমথরক্তুনা মাঙ্গোলদা লাকই। অশোকপা অদু য়েংলগা য়াম্না খঙহৈরবা মীওই অমগুম হায়রকই, "অশোকপা অসি য়াম্না শাথিনা শোকপদি নত্তে। মফম অসিদা য়েংবগী মহুৎতা হোস্পিটাল চৎপনদি ফগনি। মদুদা চৎতুনা-য়েংদুনা করি-করিনো তৌহল্লুরো।" মদুগী মতুংদা তিল্লিবা মীয়াম মমাংদা লাউথোরকই, "পিক্তু ঙসিদগী মফম অসিদা লাকপা য়াররোই! মফম অসি লমহেনবা মীওইশিংগী লৈফম নত্তে।"

রঙ্গনাথ ঈ কাখৎলকখি। হায়রকই, "অঙকপনি, অদুগুল্লবা মীওইশিং অদুবু বদ্রি দাদানা মনাক্তা ফমহল্লিবা।"

বদ্রি শাফবা তপ্না য়ূম অদুদগী থোক্লকখি। চিংনবা লৈতনা হায়, "লাইরিক-লাইসু হৈরবা মীওইশিং খন্থরগা ৱা ঙাঙহন্নিংই। কনানা খঙবনো কনাগী মরাল ওইরিবনো? মফম অসিদা লৈরিবা কুসহরসু শাথিবা মীওইনি। মাগী মপা গঙ্গাদয়াল শিবা মতমদা মপা অদুগী অশিবা হকচাং ফাওবা পুথোকহনখিদ্রিবনি। হায়খিবনি মহাক্লা মদুদি তুরেল মপান ফাওবা চিংদুনা পুগনি।"

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথোৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।